# বাই বাই, ন্যু ইয়ার নুমিৎকী এক্সিদেন্টদা মীওই ৩ শিরে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০২(এস এন এস)ঃ ঈশৈ নোংমাই পাঙথোক্লিঙৈদা গারী থৌজিল্লক্তুনা থোন্বা য়াওনা বাই–বাই অমদি ন্যু ইয়ার নুমিতা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থোকখিবা এক্সিদেন্টদা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম শিরে, মঙা লায়কন্নখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউদা, লম্বী তঙ্খায় থিংলগা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা কার থৌজিল্লক্তুনা থোম্বদগী ঈশৈ য়েংলম্বা মীওই অমা শিরগা ৫না শোকপদগী লায়কন্নখিবা থৌদোক অসি ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা নেস্নেল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল মোরে লম্বীগী মোইরাংখোম স্যামসখি স্কুল মপাদা ঙরাং নুমীদাং পুং ১০.৪০ রোম তাবা মতমদা থোকখি।

লাইবকথিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মমিং নিং থৌজম মুসুক (৩১) অপোকপা কুলচন্দ্রা কৌই, য়ুম্নাম লৈকাইদগীনি হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, ন্যু ইয়ারগা মরী লৈননা ঙরাং নুমিদাং মোইরাংখোম স্যামাসখি মপাগী লম্বীগী দিভাইদরগী মনিং থংবা শরুক খরা থিংজিল্লগা লম্বীদা ঈশৈ নোংমাই থৌরম অমা পাঙথোকখি । ঈশৈ পাঙথোক্লিঙৈ চৈরক নুমিদাং পুং ১০.৪০ রোম তাবা মতমদা শিংজমৈরোমদগী ইম্ফাল তম্না হায়গৎলকখিবা মারুটি স্বিফট কার এম এন ১এজি–৫৬৬০ অসি কন্ট্রোল ঙমদবদগী দিভাইদরদা থৌগৎলকপগা লোয়ননা দিভাইদরদা লেপ্পগা ঈশৈ য়েংল্লিবশিং থোম্বদগী মীওই ৬ থিনা শোকপদগী হোস্পিটালদা পুখত্তুনা লায়কন্নখি। মীওই ৬ অদুগী মনুংদা মুসুক লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি। চেন্নরিবা মারুটি স্বিফট কার অদু মীওই ৪ তোংলকপগী মনুংদা থোংজু নিংঙোম্বম লৈকাইদগী এল তাইসেন (২৪) অপোকপা এল ইবোমচা কৌবা মীওই অমা থৌরকপনি। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কেস অমা লৌ–খত্তুনা এল তাইসন য়াওনা মীওই ৪ অমদি কার অদু ফারে হায়রি। অমরোমদা লৈখিদ্রবা মুসুককী অশিবা হকচাং ঙসি রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অতৈ শোক্লবা মীওই ৫ অদুদি মোইরাংখোম মখা লোকলাওবুংদগী খাইদেম সরঙ্গজিৎ সিংহ (৩০) অপোকপা খাইদেম মনি, মোইরাংখোম কবুই খুলদগী কামৈ পাওজাগাই (৫৫) অপোকপা কে মৈকিলুং, মহাবলি কবুই খুলদগী দাস খান (১৭) অপোকপা অলিমুদ্দিন, ফুন্দ্রদগী রোহিট ফুন্দ্রেময়ুম (১৫) অপোকপা পিঐচ স্যাম অমদি বামোন লৈকাই টেঙ্কি মখোঙদগী নাওরেম রোজেন সিংহ (২৮) অপোকপা গিরানিনি। মীওই মঙা অসি রাজ মেদিসিটি, এদভান্স হোস্পিটাল অমদি সিজা হোস্পিটালদা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি হায়রি।

অমরোমদা, হৌখিবা চহী ২০১৯গী অরোইবা নুমিৎ দিসেম্বর ৩১গী নুংথিল পুং ৩.১০ রোম তাবা মতমদা ইম্ফাল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা নেস্নেল হায়ৱে ১০২ ইম্ফাল মোরে লম্বীগী শিংজমৈ থোকচোম লৈকাই মপাদা বুল্লেট টেঙ্কর এম এন ০১এ–১১৩৯ অসিগা মীওই অনী তোংদুনা লাকপা লাকখিবা এক্তিভা এম এন০২ এ এফ–৩৯৩২ থেঙ্গাইনবদা এক্তিভা মনিংদা তোংলকপা নুপী অমা শিরে।

লৈখিদ্রবা নুপী অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী লংমৈদোং মনিং অৱাং লৈকাইদগী য়ুম্নাম ওংবী কমালা (৩৭) মপুরোইবা সুভাসচন্দ্র সিংহনি। মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু রিমসকী মোর্গতা পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুং ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

নাকল অমরোমদা, বাই–বাই নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ১১ রোম তাবা মতমদা মীওই অনী তোংলগা লম্বীদা লাকখিবা এক্তিভা অমা মোইরাং পুলিস ষ্টেসননা কোনবা পৱার হাউস মপাদা মশা মথন্তা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা শোকপদগী মীওই অমা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবা মীওই অদুদি কামোং লোংজম লাঙ্গোলজম মনিং লৈকাইদগী অখোম বিনান্দা সিংহ (৩০) গোবধোন কৌই। মহাক্কী অশিবা হকচাং অদু রিমসকী মোর্গতা ঙসি পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা লৌখ্রে হায়রি।

অতোপ্পা অমনা, লম্ফেল পুলিস ষ্টেসননা কোনবা লম্ফেল সনা কৈথেল এ জি কোলোনিদা ঙরাং অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবা মতমদা নুপা অমগী অশিবা হকচাং তারগা লৈরম্লে। মীওই অদু চাওরাক্লা চহি ৩০দগী ৩৫ রোমগী লেং ওইগনি হায়রি। অশিবা হকচাং অদু লম্ফেল পুলিসকী টিম অমনা লৌখৎলগা মশক মমিং খঙদোক্লবগীদম রিমসকী মোর্গতা থমখ্রে।

# মণিপুর পুলিসনা শিঙ্গাপুরদা দোমেষ্টিক হেল্পর ওইনা পুরুরবী নুপীমচা অমা কনখ্রে

ইম্ফাল,জনুৱারি ২(এস এন এস)ঃ শিঙ্গাপুরদা দোমেষ্টিক হেল্পর ওইনা পুরুরবী মশাগী চহী ১৯ রোমতমক ঙায়রিবা নুপীমচা অমা চুরাচান্দপুর পুলিসকী এন্টি হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং য়ুনিটনা মতম চানা ইম্ফালদা পুরক্তুনা ইমুং মনুংদা খূৎশিন্নখ্রে।

হিরম অসিগী মতাংদা প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, হৌখিবা দিসেম্বর ৭তা চুরাচান্দপুরদগী মশাগী চহী ১৯ খক্তমক ঙায়রিবা নুপীমচা অমা সিঙ্গাপুরদা দোমেষ্টিক হেল্পর ওইনা থবক তৌহন্নবগীদমক এজেন্ট অমগী খুত্থাংদা পুখ্রে হায়বা রিপোর্ট অমা চুরাচান্দপুর পুলিসকী এন্টি–হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং য়ুনিটকী কাঙবুনা ফংখি হায়রি।

রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না চুরাচান্দপুর পুলিসকী এন্টি হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং য়ুনিটকী কাঙবু অমনা সোর্ছশিং থাদোক্তুনা থিহনবগা লোয়ননা নুপীমচা অদুবু শিঙ্গাপুরদা থাদোকখিবা অদুদা এজেন্ট ওইরিবা মীওই অদু মশক খঙদোকপা ঙমখি।

এজেন্ট ওইরিবা মীওই অদুদি চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী জৌমুনোম ভিলেজদগী মিস চীংনৈকিম অপোকপা লৈখিদ্রবা নাঙথাং কৌবী অমনি হায়বা খঙদোকপা ঙমখি হায়রি।

থৌদোক অদু চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী ইনভেষ্টিগেটিভ য়ুনিট ফোর ক্রাইম এগেনষ্ট ৱুমেন (আই য়ু সি এ দব্লিউ)গী এদিস্নেল এস পি অমদি এস পি চুরাচান্দপুরগী অশুপ্পা মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অসিগী এন্টি হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং য়ুনিটকী ওফিসার ইন চার্জ এস আই মার্লয়েস খুম্বীয়াকমাঙনা লুচিংবা টিম অমনা থিগৎপা হৌখি।

টিম অদুনা নুপীমচা অদুবু সিঙ্গাপুরদা থাবগী এজেন্ট ওইরিবী চীংনৈকিমবু দিসেম্বর ২১ দা মহাক্কী ময়ূমদগী অয়ুক পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা ফাগৎলি হায়রি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা এজেন্ট অদুবু কুপ্না ৱাহং পাউহং চংখি। লোয়ননা শিঙ্গাপুরদা লৈরিবা মহাক্কা পাউ পাওদোক ফাওজিন তৌনরিবা এজেন্ট অদুগা হকথেংননা ৱারী শান্নহনখি।

ভিক্তিম ওইরিবী নুপীমচা অদুবু মণিপুরদা হনে দারক্লবগীদমক সিঙ্গাপুরগী এজেন্ট অদুনা লুপা লাক্ষ ২ পীরক্লবা দিমান্দ তৌরকখি।

এস পি চুরাচান্দপুর, এদিস্নেল এস পি (আই য়ু সি এ দব্লিউ) অমদি এন্টি হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং য়ুনিট, চুরাচান্দপুরনা কন্না হোৎনবদগী সিঙ্গাপুর এজেন্ট অদুনা লুপা লিশিং ৭৫ লৌরগা নুপীমচা অদুবু মণিপুরদা থারক্লবা ফেয়ার অমদি অতৈ অচংবা শেনফমশিং পুথোক্লগা জনুৱারি ১ দা য়ৌহনলকপদা য়ান্নখি।

য়ান্নখিবা ৱাফমগী মতুংইন্না হায়রিবা শেনফম অদু নুপীমচা অদুগী মমা মপানা চুরাচান্দপুরগী এজেন্ট, ভিক্তিমগী ইমুং মনুং অমদি মরী মতাশিং, সি এস ওশিংগী মীহুৎশিং অমদি এন্টি হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং য়ুনিটকী টিম য়াওনা হৌখিবা দিসেম্বর ২৩ দা সিঙ্গাপুরগী এজেন্ট অদুদা থাখি।

মরক অসিদা চুরাচান্দপুরগী এজেন্ট ওইরিবী চীংনৈকিমবু চুরাচান্দপুরগী এন্টি হ্যুমেন ত্রাফিক্কিং য়ুনিটতা দিসেম্বর ২১ দগী নুমিৎ খুদিংগী ওইনা রিপোর্ট তৌহনখি।

ঙরাং চহী হৌবা নুমিতকী নুংথিল পুং ১২.৫০ রোম তাবা মতমদা ভিক্তিম ওইরিবী নুপীমচা অদু সিঙ্গাপুরদগী কোলকাত্তা ফাওরগা ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্টতা থুংলখি। সি এস ওশিংগী মীহুৎশিং অমদি চুরাচান্দপুর পুলিসকী মতেংগা লোয়ননা ভিক্তিম নুপীমচা অদু ইমুং মনুংদা অমুক হন্না খূৎশিন্নখি হায়রি।

# নাওরেম দিজমনিগী বেল অমদি চার্জ হিয়ারিং চত্থরগনি

ইম্ফাল, জনুৱারি ০২ (এস এন এস)ঃ হৌখিবা কুম্মজা ২০১৯ গী মে ২৯ দা থোকখিবা নাওরেম রেখা মীহাৎকা মরী লৈননা হৌজিক জেলদা লৈরিবা মপুরোইবা নাওরেম দিজমনিগী বেল হিয়ারিং থা অসিগী ৬ তা অমদি সেন্টেন্স হিয়ারিং থা অসিগী ১৪ দা চত্থনবা সেসন কোর্ট ইম্ফাল ইষ্টনা মতম লেপখ্রে।

কোর্ট অসিদা নাওরেম দিজমনিগী মচানুপীনা মহাকপু হেল্থ গ্রাউন্দদা থাদোকপিননবা বেল এপ্লিকেসন অদু হৌখিবা কুমজা ২০১৯ গী দিসেম্বর ৩০ দা থারকখিবনি। লোয়ননা বেল এপ্লিকেসন অদু ক্রিমিনেল মিসচীফ কেস ১ ওফ ২০২০ ওইনা রেজিষ্টার তৌদুনা থা অসিগী ৬ তা বেল হিয়ারিং চত্থনবা মতম লেপখিবনি।

পনবা য়াবদি, হান্না দিসেম্বর ১৮ দা থারকখিবা বেল এপ্লিকেসন অমদা মণিপুর সেন্ট্রেল জেল সজিৱাগী এস পিগী রিপোর্ট অমদি মতীক চাবা খুদম–চাংদম ফংদবদগী বেল অদু কোর্টনা রিজেক্ট তৌখ্রবনি।

অমরোমদা, কোর্ট অসিমকনা হৌখিবা দিসেম্বর ৩১ দা নাওরেম রেখা মীহাৎকা মরী লৈননা থৌদোক অদুদা চৈন্নে হায়রিবা মপুরোইবা দিজমনিগী চার্জ হিয়ারিং জনুৱারি ১৪ দা চত্থনবা মতম লেপখ্রবনি।

চৈরক অসিদা, থৌদোক অদুগী ইনভেষ্টিগেসন চত্থরবা মতুংদা কেস অদুগী আই ওনা দিজমনিগী মথক্তা আই পি সি সেক্সন ৩০২ অমসুং ১০২ গী মখাদা চীফ জুদিসিয়েল মেজিষ্ট্রেট ইম্ফাল ৱেষ্টনা চার্জশিট থাগৎলকখিবনি। লোয়ননা কোর্ট অসিনা কোগনাইজান্স লৌদুনা চার্জশিট অদু সেসন জজ ইম্ফাল ইষ্টতা পুথোকখিবনি।

## কৃষি কর্ম্মন এৱার্দ...

*লমায় ১গী মখা...*এভরেজদা ফৌদা হেক্টর অমদা কেজি ২৪৭৫ অমদি পলসেসতা হেক্টর অমদা কেজি ৭৭৯ পুথোকপা মতমদনি।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী গভর্ণর, চীফ মিনিষ্টর, য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং অমদি এগ্রিকলচর মিনিষ্টরশিংনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

মনা ফংলবশিং অসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মকোকথোংবা ওফিসিয়েলশিংনা লুচিংবা কম্মিতি অমনা প্রদক্সন আউটকম, ক্রোপ প্রদক্সন প্রোগ্রাম অমদি ইনোভেটিভ ওইবা থবক থৌরমশিংদা য়েংলগা খনগৎপনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা অতৈ খনগৎলবা প্রোগ্রেসিভ ফার্মরশিং অমদি ষ্টেটশিংদা কৃষি কর্ম্মন এৱার্দ খূৎশিন্নখি। লোয়না পি এম কিষানগী অহুমশুবা ইনস্টোলমেন্টকী শেনফম চাউরাক্লা বিনিফিসিয়ারি ক্রোর ৬ লোমদা থাদোকখি।

# হোম মিনিষ্টরনা দিটেনসন সেন্টর লৈতে হায়রবসু অসাম খক্তদা তরুক লৈরি

ন্যু দিল্লি, জনুৱারি ০২ ঃ য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিত সাহনা ইন্দিয়াদা লোগী ৱাংমদা চঙলকপা মীরৈবাক মচা থম্নবা দিটেনসন সেন্টর লৈতে হায়না শেংদোক্লবা মতুং নুমিৎ নীনি লৈরগা হোম মিনিষ্ট্রিগী লিখুন অমনা ফোঙদোক্লি অদুদি সেন্টরনা ২০০৯, ২০১২, ২০১৪ অমদি ২০১৮ দা ষ্টেটশিংদা দিটেনসন সেন্টর হাংদোক্লবা হায়খিবা লৈ। হোম মিনিষ্ট্রিগী পাউ মতুং ইন্না অসামগী গোলপরা, কোক্রাজহার, সিলচর, দিব্রুগর, জোরহাত অমসুং টেজপুরদা দিটেনসন সেন্টর তরুক লৈ। হৌখিবা দিসেম্বর ৩ দা লোক সভাদা অসামগী এম পি বদরউদ্দিন অজমলনা হংবা ৱাহং অমগী পাউখুম ওইনা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট (হোম এফিয়ার্স) কিশন রেদিনা অসামগী দিটেনসন সেন্টর মশীং অসি ফোঙদোকখিবা লৈখিবনি।

ন্যুজ এজেন্সি এ এন আই গা ৱারী শান্নবা অমদা সহানা হায়খিবা লৈ মদুদি চহী লিশাং শিংনা লৈরকপা সেন্টর অমখক লৈ। মদু নত্তবা অতোপ্পা সেন্টর অমতা লৈতে। মোদিনা লুচিংবা গভর্ণমেন্ট লাক্লবা মতুংদা দিটেনসন সেন্টর অমা ফাওবা শেমখিবা লৈত্রি।

দিটেনসন সেন্টরগা নেসনেল রেজিষ্টার ওফ সিটিজেন্সিপ (এন আর সি) নৎত্রগা সিটিজেন্সি এক্ট (সি এ) গা মরী অমত্তা লৈনদে। হিরম অসিদা তোকঙা শন্দোকপনি হায়না সহানা হৌখিবা লৈপাকপোকপা (দিসেম্বর ২৪) নুমিত্তা শেংদোকখি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা হায়খি, অসামগী এন আর সি না খন্দোক্লবা মীওইশিংদা ফোরেন্নর ত্রিবুনেলদা চৎনবা থা তরুক্কী মতম পীখি। ঐখোয়না ত্রিবুনেল কয়ামরুম লিংখৎখ্রে। কনাগুম্বা অমত্তা দিটেনসন কেম্পতা থমদে। হন্দক্কী অসামগী এন আর সি অদুদা মীওই লাক্ষ ১৯ য়াওখিদ্রবনি হায়না মহাক্না এন এন আই দা মখা তানা ফোঙদোকখি।

অদুবু হোম মিনিষ্ট্রিগী পাউ অমগী মতুং ইন্নদি অসামগী মীওই ৯৭০ দিটেনসন কেম্পতা লৈরি। মখোয়দুগী মনুংদা ৬৪৬ না নুপানি অদুগা ৩২৪ না নুপীনি। মখোয় তোঙান তোঙানবা কা কাশিংদা থম্মী। নুপীশিং অদু রেপ তৌবগী থৌদোক অমতা লৈতে। মখোয়গী নক্লবা মরি মতাশিং সেন্টরশিং অদুদা লাক্লগা উনবা য়াহল্লি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

কর্নাতকাদসু বাংলাদেশি ১১৪ লোগী ৱাংমদা চঙলকপনি হায়বা শক খঙদোক্লে। ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা হোম মিনিষ্ট্রিনা মখোয় থম্নবা দিটেনসন কেম্প লিংখৎনবা থবক লৌখৎলে হায়না খঙহলক্লে হায়খি।

## এটেন্দেন্স চাদ ৭৫...

*লমায় ১গী মখা...*

সি বি এস ই বোর্দকী এক্সামিনেসন অসি ফেব্রুৱারি ১৫ দগী হৌগদৌরিবনি। অদুবু এক্সামিনেসন অসিগী এদমিট কার্দতি লৈফম থোকপা এটেন্দেন্সকী চাং য়ৌদবশিং দদি পীরোইদৌরি। লৈফম থোকপা এদেন্টেন্সকী চাং য়ৌদবা মহৈরোইশিংগী লিষ্ট অদু রিজনেল ওফিসশিংদা থাগৎলক্কদৌবনি। মসিগী অরোইবা ৱারেপ জনুৱারি ৭ কী মমাঙদা লৌগনি।

করিগুম্বা কেন্দিদেট অমনা মখোয়গী এটেন্দেন্স য়ৌফম থোকপা চাং য়ৌবা ঙমদ্রবদি মদুগী মরম মরী লৈনবা চে চাংশিংগা লোয়ননা জনুৱারি ৭ ফাওবগী মনুংদা ওথোরিটিশিংদা পীশিনগদবনি।

## আই এ এস ১৬ ...

*লমায় ১গী মখা...* ইরিগেসন। ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি।এম ও বি সি এন্দ এস সি) এন্দ মেম্বর সেক্রেটরী, ষ্টেট কম্মিসন ফোর ও বি সি, নিংথৌজম জিওফ্রিনা সেক্রেটরী টু চীফ মিনিষ্টর এন্দ স্পিসিয়েল সেক্রেটরী (কেবিনেট। দি পি প্লান্নিং) এন্দ সি ই ও। এম আই দি এ অমসুং এন জি রোবিননা সেক্রেটরী। মণিপুর পব্লিক কম্মিসন ওইনা থৌ পুরগনি হায়রি।

# পব্লিক মেদিকেল ৱেলফিয়ার কম্মিটি কৌবা সব কম্মিটি অমা শেম্লে ঃ ইপসা

ইম্ফাল,জনুৱারি ০২ (এস এন এস)ঃ চহী অসিগী জনুৱারী তাং ১ দগী গভর্ণমেন্টকী দাক্তরশিংনা প্রাইভেট হোস্পিটালদা চৎতুনা প্রাইভেট প্রেটিক্টস তৌবা য়ারোই হায়না লাওথোকখিবগী মতুং ইন্না ইন্টর্নেসনেল পীছ এন্দ সোসিয়েল এদভান্সমেন্ট (ইপসা) গী মখাদা পব্লিক মেদিকেল ৱেলফিয়ার কম্মিটি কৌবা সব কম্মিটি অমা শেম্লে হায়না লূপ অসিগী আই পি আর সেক্রেটরী এস তোম্বীসনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা, সব কম্মিটি অসিগী কোওর্দিনেটর ওইনা ৱাইখোম বসন, সামোম তোম্বীসনা অমদি মেদিয়া কোওর্দিনেটর ওইনা ৱাইখোম রবিবু খল্লে হায়রি। লোয়ননা সব কম্মিটি অসিগী থবক থৌরম খুদিংমক ইপসানা য়েংশিনগনি হায়রি।

সব কম্মিটি অসিগী অহানবা থবক ওইনা মেদিকেল দাইরেক্তোরেট ইম্ফাল, দাইরেক্তোরেট ওফ ফেমিলি ৱেলফিয়ার, জেনিমস অমসুং রিমসকী দাইরেক্তরশিংদা গভর্ণমেন্টকী দাক্তরশিংনা প্রাইভেট প্রেটিক্টস তৌদনবা অমদি প্রাইভেট হোস্পিটালদা চৎতনবা পাউতাক পীনবা চে ইরগনি। মণিপুরগী হোস্পিটালশিংদা লৈরিবা ওপরেসন থিয়েটর অমদি শিজিন্নরিবা লায়েংবগী খূৎশু খূলায়শিংগী ক্বালিটি অমদি মেন্টিনেন্সকী মতাংদা ইপসানা মরী লৈনবা ওফিসারশিংগী মতেংগা লোয়ননা য়ংশিল্লগনি হায়রি।

মীচম মীয়াম্না হোস্পিটালদা লায়েংবা লাকপদা খুদোংচাদবা মায়োক্লবা, তৌফম খঙদবা অমদি হোস্পিটালগী মরমদা মফম মরাং খঙদবা কয়া অসিদগী কোকহন্নবা পাম্বে পুথোক্লবা হোস্পিটালগী ওথোরিটিশিংগা পূন্না ফম্মীন্নদুনা তান্নরগনি। চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা লৈবাক মীয়াম্না মপুং ফানা শৌগৎপিয়ু হায়রি।

## তৌবিমল খঙবা উৎলক্লি

ইম্ফাল,জনুৱারি ০২ (এস এন এস)ঃ মতম খরগী মমাঙদা মণিপুরগী খ্বাইদগী অনৈবা ঈশিং চেনবা তুরেল ওইরম্বদগী হৌজিক ফিভম খরা ফগৎলক্লবা থৌবাল তুরেলগী ঈশিং অসি খরমখৈ মীয়াম্না শিজিন্নবা য়াবা তুরেল ওইরক্লে। ফিভম অসি ওইরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা হায় কোর্ট ওফ মণিপুর অমদি থৌবাল রিভর কঞ্জাভেসন কম্মিটিবু তৌবিমল খঙবা উৎচরি হায়না মণিপুর সেন্টিনেল কাউন্সিল, থৌবালগী কনর্ভের দিপক হোদামগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা, থৌবাল তুরেল অসি ঙসিদগী চহী ২ রোম হেনবা অসি অনৈবা ঈশিং ওইনা চেন্দুনা লাকখি। অদুবু ঙসিদি থৌবাল তুরেলগী ফিভম ফগৎলক্লে । ইরমদম অসিগী অকোয়বগী ফিভম কায়হন্দনা থম্নবা থৌবাল তুরেল খক্ত্তা নত্তনা অতোপ্পা তুরেলশিং য়োকখৎপসু মথৌ তারি। চান্দেলগী চকপি তুরেল কন্নবা মিসন চকপি কম্মটিনা কন্না হোৎনরি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা মণিপুরগী তুরেলশিং কনসি হায়রবদি, নুঙ লৈঙোই পেকপা থিংবদা নত্তনা মনাক নক্লা অমোৎ অকায় থাদরিবা মীয়াম অসিসু ৱাখল তাহনবা মরু ওইরি। অৱাংবা দোলান মথোল মথোল শারগা, শেঞ্জাও পায়রবসু পুখ্র, পাৎ তুরেলদা নমথিবা ঈশিং চেল্লবদি মীওইবা খুন্নাই অসি হিংবা ঙম্লোই হায়রি।

# লনথুংচীং ভিলেজগী গোল্ডন জুব্লি সেলেব্রেসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল,জনুৱারি ০২ (এস এন এস)ঃ মণিপুরদা খুন্দারিবা ফুরুপশিংগী মরক্তা কম্যুনেল হারমোনি লৈরবা মতমদা ষ্টেট অসিগী তাং দু লৈতানা লৈবা ঙমগনি হায়না আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী মীহুৎ ওইরিবা লোক সভাগী এম পি. ডা. লোহো ফোজেনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লাঙ্গোল চীংদা লৈবা লনথুংচীং ভিলেজগী গোল্ডন জুব্লি সেলেব্রেসনদা শরুক য়ারদুনা এম পি অসিনা ফোঙদোকখিবনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা এম পি না মখা তানা হায়, লমদম অসিদা খুন্দারিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা নুংশি চান্নবা লৈমীন্নদুনা ষ্টেট অসি চাওখৎনবা হোৎমীন্নসি হায়না আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা ফুংয়ার এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ কে লৈসিয়োনা হায়, চীংদা খুন্দাদুনা লৈরিবা চীংমীশিংনা উমং ৱামং কান্দুনা লাকপঙুম মহৌশাগী ইকো সিষ্টেম কায়হন্দনা থম্বদা শা উচেক হাৎপগী থবক থাদোক্তুনা উমং ৱামং য়োকখৎসি হায়না আপিল তৌখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ভিলেজ অসিগী চহী ৫০ শুরকপগী মোনোলিট অমসু মায়খুম হাংদোকখি। লোয়ননা মরীং অমসুং রোংমৈ য়াওনা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

# কেক কার্নিভেল,২০২০ লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল,জনুৱারি ২(এস এন এস)ঃ এল্লিজ কেকস এন্দ বেকসনা শিন্দুনা দিসেম্বর ৩১দগী জনুৱারি ১ফাওবা চীংমৈরোংদা লৈবা এম বি সি গেটতা চত্থরকপা নুমিৎ নীনিগী কেক কার্নিভেল, ২০২০ লোইশিনখ্রে।

মণিপুরদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা কেক কার্নিভেল অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামদা মখল কয়াগী কেকশিং ফংহনখ। অঙাংশিংগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা ইমুংগী মীওইশিংনা কার্নিভেল হোলদা কেকশিং অদুবু য়েংনবগীদমক্তা লাক্লখি। কার্নিভেল অদুবু য়েংবা লাক্লিবা মীয়াম্না অপাম্বা মখলগী কেকশিং তোঙান তোঙানবা সাইজ, দিজাইন অমদি মহাউশিংগী কেককশিং খননবগী খুদোংচাবা ফংহনখি।

অসিগুম্বা থৌরম অসিনা লমদম অসিগী ফুদ ব্যাজিনেস তৌজ রিবশিংবু হেন্না পূক্নিং থৌগৎপগা লোয়ননা ষ্টেট অসিগী টুরিজম ইন্দষ্ট্রিজ চাউখৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইগদৌরিবনি।

কেক কার্নিভেল অসি পাঙথোকপা অসি মেনপৱারগী অমদি মোনিটরি রিসোর্ছশিং চঙবনা মসি শিনবদা অচৌবা শিংনবা অমা ওইখি। অদুবু অরোইবদদি লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক অসিগুম্বা থৌরম অসি পাঙথেকপা ঙম্বা অসি নুংঙাইবা ফাওই অমদি মপুং ফারে হায়না লৌই হায়না এলিজ কেক অমদি বেকসকী প্রোপ্রাইটর এলিজাবেঠ মৈত্রমনা ফোঙদোকখি।

## লৌবুক মায়কৈ পাঙলসি থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জনুৱারি ০২ (এস এন এস)ঃ মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরগী মীৎয়েং মখাদা ২০২০ চহী অসি এগ্রিকলচর, হোর্টিকলচর অমদি টুরিজমদা মীৎয়েং থমগনি হায়বা ৱাফমদা য়ূম্ফম ওইদুনা অরাপতি উরুপ ফার্মরস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা ঙরাং অরাপতি ময়াই লৈকাইদা পাঙথোকখ্রে।

ইম্ফাল ইষ্টকী অদক্সা বিমোলানা হৌদোক্তুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মহাক্না থৌরম অসি মণিপুরগী অহানবা ওইনা পাঙথোকপা থৌরন্নি। লোয়ননা উরুপ অমদি অরাপতি লৌফমশিং অসি মতম পূম্বগী ওইনা শংহন্নবা ঐখোয় খুদিংমক্না থৌদাং লৌমীন্নসি হায়না ফোঙদোকখি। লোয়ননা মফমশিং অসিগী লৌফমশিংদা তঙাইফদবা লৈবা ঈথৈ– লৌখোং মতীক চাদ্রিবসিগী মতাংদা লৈঙাক্না মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়না এসোসিয়েসন অসিগী মায়কৈদগী পূক্নীং চিংশিঞ্জরি হায়নসু এসোসিয়েসন অসিগী সেক্রেটরী ওর্গনাইজেসন জি রঘুমনি শর্ম্মনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# চীংদা পোম্পী পাম্বী পাক্তক্লনা থাবনা উমং ...

*লমায় ১গী মখা...* চৎহনবা ঙমদে হায়খি।

দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী হৌখিবা চহী খরা অসিদা উ পাম্বী থাজিনবগী থবকশিং চঙশিল্লক্লি। অগর য়াওনা পাম্বী কয়া থাগৎলক্লি। চীংগী লমদা লৈরিবা মীয়ামগী হিংনবগী লম্বী পীনবা হোৎনবদা উঁহে পানবা পাম্বীশিং থানবা হোৎনরি। হোর্টিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা করম করম্বা পাম্বীশিং থারগা চান্নগদগে হায়বদু য়েংলি।

অমরোমদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা চীং থুগায়রগা লৈবাক লৌথোকপা অমদি লম খোপচিল্লগা তাশিনবা কয়া চত্থরক্লিবনি। মসি মমাঙগী চহী কয়াদগী থুগায়দুনা লাক্লি। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা থিংবগী থবক চত্থরবসু খুৎলায় পায়দবা ফোরেষ্ট ষ্টাফশিংদা থিংনবা হোৎনবদা কিহন খংহনবগী থবক কয়া চত্থরক্তবা নত্তে।

মসি থিংগে হায়রবদি মীয়ামদা মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা অইং অশাগী খল কায়থরকপা অসিগী মরমদা খঙহনবা তঙাইফদে। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা মখল মখা কয়াগী উপালশিং থাদুনা হোৎনরি।

হেন্না লাইবক থিরিবদি মেনপৱারগী অৱাৎপা লৈবা অসিনি। স্কুৱার কিমি ২ দা ফোরেষ্ট গার্দ অমমম লৈহনগদবা অদু মণিপুরগীদি স্কুৱার কিমি ২২ দা ফাওবা ফোরেষ্ট গার্দ অমমম থুংনবা ঙমদে ।

মীয়াম্না ফজরবা মণিপুরগী চীং, পাৎ, তুরেল অসি কন্নবা হোৎনবদা অমদি অকোয়বগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম্না মতেং পাঙবীয়ু। মণিপুরদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং পায়খৎপগী মথক্তা রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা মমাঙথক্তা পাট্টা পীশিনলম্বা কয়া অসিনা করিগুম্বা তকখায়রুবা তারবদি কোর্টদা কেস তৌশিল্লকপগী ৱাফম লৈ।

পাট্টা পীরমদাইদা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েলশিংনা মতম অমদা মফম অদুদা চৎলগা য়েংশিন্দবীদা চীংদা পাট্টা পীশিন্দুনা লৈরমখি। মসিমক চৎন–কাঙলোনগী ৱাংমদনি। মদু ইভিক্সন তৌনবা হোৎনবদা কোর্টতগী অথিংবা লাকপনা অচৌবা অয়েৎপা কয়া লৈরি।

হিরম অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর অমদি রেভিন্যু মিনিষ্টরগা তান্নরগা ফোরেষ্টকী লমদা পাট্টা তাশিনলিবশিং নোটিশ ইশ্যু তৌখ্রে। জনুৱারি থা মনুংদা কোর্টতা আপীল চৎলগা লম খোপচিনলিবশিং অদু তকথোক্লবা থবক লৌখৎলগনি হায়খি।

# মণিপুর কন্সটিট্যুসন নুমিৎ থৌরম লন্দনদা...

*লমায় ১গী মখা...*এক্ট অসিগী মখাদা ট্রান্সফর তৌখিবনি। মণিপুর কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ অসি ইম্পায়র ওফ ইন্দিয়ানা রিকোগনাইজ তৌবনি।

মণিপুর ষ্টেট কন্সটিট্যুসন এক্ট ১৯৪৭ অসি মণিপুরদা হৌজিক হিংলি। মসি ষ্টেট নৎত্রগা সোভরেন্ট ওথোরিটি অমতনা ঙসি ফাওবদা রিপিল নৎত্রগা সম্পেন্দ তৌ–খবা লৈত্রি। মণিপুরগী মীয়ান্না ঐখোয়গী কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ইলেক্সন তৌদুনা ফংখিবা কন্সটিট্যুস্নেল রাইট অদু পুথদুনা লাকখিবনি। মণিপুরগী কন্সটিট্যুসন নুমিৎ থৌরম পাঙথোকপদা ঐখোয়না শরুক য়ারসি হায়না চেরোল অদুনা অরোইবদা ফোঙদোক্লি।

# গাইদলাইন নৌনা শেমদোক্কদবনি...

*লমায় ১গী মখা...* মমাঙদগী লৈখ্রবা মীতোপশিং য়েলহৌমীনি হায়না লৌদুনা মখোয়দা পার্মিটকী পাস পীরোইদৌরিব্রা হায়বসি ৱাহং ওই।

বি এফ আরগী সেক্সন ৭ দা বি এফ আর চৎনরিবা মফমশিংদা য়েলহৌমী নত্তনা লম লৈবা, য়োনবা য়ারোই হায়বসি ময়েক শেংনা য়াওরি। মরম অদুনা য়েলহৌমী কনানো হায়বসি শুকশোই শোয়দনা মশক তাকফম থোকপনি। লমদম অসিগী তুংলমচৎ লেপকদৌরিবা ওইবনা তুংগী মীরোলনা পামগদবা য়েলহৌমী অমসুং লম কঞ্জবা হায়বসি খঙনা লৈঙাক্লা গাইদলাইন শেম্বা মথৌ তাই। হায়রিবশিং অসি শেমদোক্রিমখৈ গাইদলাইন অসি য়েলহৌমী কঞ্জনবা গাইদলাইন অমনি হায়না জে সি আই এল পি এসনা লৌদে হায়খি।

অমরোমদা, ষ্টেট অসিদা হৌজিক আই এল পি চৎনবা হৌরবনিনা মীতোপশিং টেম্পোরেরি পার্মিট পীদুনা চঙলকপা হৌখ্রে। পার্মিট পীরিবা ওথোরিটিশিংনসু চঙলক্লিবা মীতোপশিং অদুগী শক্তাকচে নীংথিনা চ্যেক তৌবা চঙই। লোয়ননা চৎনবা হৌরবনিনা লমদম অসিদা হান্নদগী লৈশিনখ্রবা মীতোপশিংনসু মখোয় মখোয়গী শিনফমগা চুনবা পার্মিট অথুবদা পীগদবনি। লাক্কদৌরিবা ফেব্রুৱারী ১ দগী জে সি আই এল পি এসনা সর্ভেসু হৌরগনি। মসি মানা–মানা পায়রিবা শিনফমদা চুনবা পার্মিট পায়রমদদবা তারবদি বি এফ আরগী মতুং ইন্না ফংফম থোকপা চৈরাক ফংহন্নবা লৈঙাক্তা তকশিল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

# আই এল পি গাইদ লাইনদা পেন্নদগী ৱাকৎ লাকপা...

*লমায় ১গী মখা...* ফোর্সশিংগী ইমুং মনুংশিং চংলকপদা থিংদে হায়রবদি মসিদা অরোনবা এজেন্দা অমা লৈতে হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে।

সেন্ট্রেল লৈঙাক্কী থবক তৌবা অমদি কোর্পোরেটকী থবক তৌবশিংগী ইমুং মনুংশু য়াই হায়না পনলি। মসিদা মণিপুরদা থবক তৌবা তৌদবগী ৱাফম পন্দে। মসি লিগেল তার্মদা য়েংলকপা মতমদা ইন্দিয়াদা লৈরিবা ময়াম অসি মণিপুরদা চংলকপদা চে অসিনা মপাঙ্গল হেন্না পীরে হায়খি।

মসিদা পীরিবা য়েলহৌমীশিংগী ঙাক্লৌ অসি করিনো হায়খি। মাইগ্রেন্ট ৱার্করশিং অসি লৈঙাক্কী কন্ট্রেক্ট শুবা নত্তবদা মীওই অমনা মহাক্কী লন্নাই কন্ট্রেক্ট শুবগীদমক্তসু কৌশিনবা য়াই হায়না পল্লি।

মণিপুরদা মীতোপ মীয়ানচানা লাক্ষ ৭ –৮ লৈরবনি। মসিগী লাক্ষ ৭–৮না স্পোন্সর তৌরগা মহাক্কী ইমুং মনুংনা লৈশিনবা য়াবগী ৱাফম অসি লৈখ্রগদি কদায়দগী য়েলহৌমীশিংদা ঙাক্লৌ পীরিবগে হংখি।

আই এল পি চৎনরে হায়না লাওথোকপদা পুলিস ময়াম থাবল চোংহনখিবদু আই এল পি চৎনবগী ওইরমদ্রে। লৈঙাক অসিনা মীতোপ চংলকপদা পুলিসশিং তেক্স খোমগৎলগনি হায়বগী হরাউবগী চোংবা ওইরম্লে।

মসি চৎনরকপদা মণিপুর লৈঙাক্কী কান্নবা অসি তেক্স লৌখৎপা অসিখক্তনি। শেল থুমগী ফিভম ফক্তবা অসি কদায়দগী শেল লাকহনবা য়াগদগে হায়বগী খনবদগী খোঙথাং অসি লৌখৎলকপ্রা হায়না লৌই হায়খি।

লৈরিবা আই এল পিগী গেজেট অসি মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা নত্তে, মসি মণিপুর য়েলহৌমী কন্নবা ৱাফম অমত্তা য়াওদে। হয়েং ফাওবদা ৱাফংনদি হায়বদা পাউখুম পীরক্ত্রবদি চীফ মিনিষ্টর চেল্লে হায়না লৌগনি।

য়াম্না চমম্নবা থোকহনবা অমনা, বেজ ইয়ার অসিদি এন আর সিদা লাক্কদবনি হায়না পল্লি। অদুবু এন আর সিদি মপান্দগী লাক্লগা ইন্দিয়াগী সিটিজেন ওইখিবা অদুনি। অদুবু আই এল পিদি লৈবাক অসিগী অতৈ ষ্টেটশিং দগী চংশিল্লকপশিং অদু থিংনবা ফক্লাং অমা খাবীয়ু হায়বনি।

কুমজা ১৯৮০ অদুৱাইদা অসামদা অমদি মণিপুরদা মীতোপ চংশিল্লকপগী ৱাফম লাকপদগী নেসনেল রেজিষ্ট্রেসন ওফ সিতিজেন অসিগী মখাদা মীতোপশিং খন্দোকপগী থবক তৌরকপনি।

এন আর সি অসি ইন্দিয়ান সিতিজেন কনা কনা ওই ওইদে হায়বা খন্দোক্লবা ৱাফমনি। অদুগা আই এল পিদি মীতোপ চংহল্লোইসি হায়বনি। মসিদা লৈঙাক্লা মীয়াম খঙলোই মতাগুম্না অপঙবা শিবগী থবক্তি তৌবিগনু।

মণিপুরদা লৈরিবা বি জে পিগী লৈঙাক অমদি কাঙবুনা মীতোপ মীয়ানচা চংলকপদা পুক্লিং থৌগৎলি, য়েলহৌমী মুৎখিবদা হেন্না হরাউই হায়বসি হায়রোইদৌবগী মরম করি লৈবগে হায়খি।

লৈঙাক অসি এসেমব্লি কৌবদা অকিবা ফাওগনি। সি এস ও ময়ামসু মসি খন্ন নৈন্নগনি হায়খিবা লৈ। মসিগী গাইদলাইন অসি মীয়াম খন্নরগা অয়াবা পীখ্রব্রা হংখি। মসি য়াদবা তারবদি লৈঙাক অসি মীয়ামগী খোল্লাউ তাদবা লৈঙাক অমা ওইগনি হায়খি।

লৈঙাক্লা কাউরোইদবদি কন্স–টিট্যুসনগী মখাদা, রুলসকী মখাদা চৎকদবনি। গেজেট নোটিফিকেসন থোক্ত্রিঙৈদা অমদি গাইদলাইন শেমদ্রিঙৈদা বি জে পিগী লুচিংবা রাম মাধবনা ইম্ফালদা লাকপা মতমদা হোম দিপার্টমেন্টকী অন্দর সেক্রেটরি অমনা আই এল পি পীখি হায়বদু মীয়ামদা উৎচাইবনি। মদু মীয়ামদা নমথাক তৌবনি হায়খি।

# আর্ট এন্দ কলচরবু নুপী–অঙাংগী থবক ওইনা ...

*লমায় ১গী মখা...*

মহাক্না হায়খি, আর্ট এন্দ কলচরগা মরী লৈনবা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী লোইশঙশিং অসিসু মেন পৱার ৱাৎপগী খুদোংচাদবা কয়া অমসু মায়োক্লদুনা লৈরি। মসিনা মরম ওইদুনা লোইশঙশিং অসিনা মপুং ফানা থবক তৌবা ঙমদ্রি। চহী কয়াগী মমাঙদগী লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচরবু চাউখৎহন্নবা অমদি য়োক–খৎনবগী পান্দমদা লিংখৎখিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর অসিসু মমিং খক্তগী ওইনা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। য়ুনিভর্সিটি অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতীক চানা থম্বীদুনা অৱাৎপা ষ্টাফশিং শুনা হাপ্পীদুনা মপুং ফানা মথৌ তৌহনবা ঙম্লবদি শিথরক্লিবা আর্ট এন্দ কলচরগী শক্তম অসি কঞ্জবদা খরদা ওইরবসু মতেং ওইগনি।

লমদম অসিগী আর্ট এন্দ কলচর চাউ–খৎহনবা হায়বসিদা লৈঙাক খক্তনা হোৎনদুনসু ওইথোকপা ঙম্লোই। মসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্কীসু থৌদাং চাউনা চঙই। মণিপুরগী ওইনদি আর্ট এন্দ কলচরগী শক্তাকপদা লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি।

খেঞ্জোংলাংনা শীন্দুনা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগী নুপী দাইরেক্তরশিংগী ওইবা ড্রামা ফেষ্টিভেল অমা পাঙথোক্লিবা অসি য়ান্না পূক্নীং থৌগৎনিঙাইনি। মসিনা লমদম অসিদা শিথরক্লিবা ঠিয়েটর অসিবু য়োকখৎপদা মতেং পাঙবতা নত্তনা লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিংগী তৌবা ঙম্বা অদু মশক খঙবিবগী তাঞ্জা অমসু পীরি হায়না মহাক্না মখা তানা হায়খি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লোইশিনবগী থৌরম অসিদা আর্ট এন্দ কলচরগী মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদেমিগী দাইরেক্তর এল উপেন্দ্র শর্ম্মনা প্রসিদেন্ট, ফেষ্টিভেল কম্মিটিগী চেয়ার্মেন আই এ এস, কে রাধাকুমার অমদি হিয়াংলম এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, ডা রাধেশ্যামা য়ুম্নামনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি ফেষ্টিল অসিগী লোইশিনবা নুমিৎ অসিদা হৈস্নাম সাবিত্রিনা দাইরেক্সন পীবা কালাক্ষেত্রিগী 'পেবেট' উৎখি।